HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



সেন্সস ওপরেশন্স, মণিপুরগী দিরেক্টর টি ঐচ চিত্রানা গভর্ণরগা উনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্সস-২০২৭কীদমক মহাক্কী লোয়শঙনা থৌরাং তৌরবা থবক থৌরমশিংবু মরীক চুম্না পাউদমখিবা

লৌশিং পূক্কে : অঙাং পোক্লকপা মতমদা য়াওরকপা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ‘দেমোন কোর’ অমসুং মসিনা হাৎখ্রবা ...
...রগনি-লগনি!... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা...
এগ্রি-দিষ্ট্রিক্ট ১০০ শেমগৎনবগীদমক কেবিনেটনা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ টিম চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌরকখ্রবা...

য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ননা শীন্দুনা নুমিৎ মঙানি চথখদবা ৯শুবা ওল মণিপুর ফোক ড্রামা ফেষ্টিবেল ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা অখন্নবা মীথুংলেনশিংনা মৈরা চুখৎপা



Vol. 49, Issue No. 107 | শগোলশেন, ইঙেনগী ২২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, July 17, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

মণিপুরগী ‘প্রসিদেন্টস রুল’ লৈঙাক্কী অনৌবা মায়থোঙ

# পি আর শাংদোকহন্নবগীদমক অনৌবা চীফ সেক্রেটরি খল্লকপ্রা নৎত্রগা পি কে সিংহগী চৌক্রি থোক-থোক নোমখিবা য়াওব্রা

## নিংথৌকাবা নুমিৎতগী পুনীট কুমার গোয়লনা অনৌবা চীফ সেক্রেটরিগী থবক পুবা হৌরগনি, চার্জ পীরম্লবা মতুংদা পি কে সিংহদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মণিপুর থাদোক্কুনা চৎখ্রগনি



চীফ সেক্রেটরি ওইরক্লিবা প্রসান্ট কুমার সিংহ (ওই) অমসুং মহাক্কী মহুৎ শিল্লগদবা পুনীট কুমার গোয়ল

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদগী নোংমৈ অমসুং বোমগী মখোল তাবা হন্থখ্রবসু মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিনা ষ্টেট অসিবু ফীভম য়াম্না শোকচিলহল্লিঙৈগী চৈরক জন্যুৱারী ১১, ২০২৫দা মিনিষ্ট্রি ওফ ন্যু এন্দ রিন্যুএবল ইনজিগী সেক্রেটরি ওইরমখিবা প্রসান্ট কুমার সিংহ (মণিপুর কেদর-১৯৯৩) বু মণিপুর লৈঙাক্না হায়জবগী মতুংইন্না মহাক্কী মণিপুর কেদরদা হল্লকহনবদা অয়াবা পীখিবদগী ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরি ওইরক্লিবা মহাক্কী মহুত্তা আই এ এস ওফিসরশিংগীদমক্তা লৈরিবা পোলিসিশিং কোমথোকহন্দুনা ইন্টর-কেদর দেপ্যুটেশনদা পুনীট কুমার গোয়লবু মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরক্লিবসি মনুংদা করি লৈরমগদগে হায়না মীয়াম্না হংনরক্লি।

চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহবু নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ট্রাইবসকী সেক্রেটরি ওইনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

পি কে গোয়লবু চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপদা এম পি বিমোলনা ইহান হান্না চীন কাংলকখ্রে

# প্রসিদেন্টস রুল চলাইরিবা ব্যুরোক্রেটবু মণিপুর কেদরগী নত্তবা ওফিসর ওইনা থাজিল্লক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি : এম পি বিমোল

## ‘প্রসিদেন্টস রুল শাংথবগী মহুত্তা মীয়ামগী লৈঙাক অমা শেম্ফম থোকপনি অদুবু মীয়ামগী মেন্দেট ফংদুনা মেজোরিটি লৈরিবা পার্টিনা কৈদৌবগী শেম্বা ঙমদবনো, ঙমদ্রগদি অনৌবা মেন্দেট লৌবনা ফরে’



**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৩দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু এনিমেটেদ সস্পেন্সনদা থম্লগা থা অদুগী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা চহীসিগী জন্যুৱারী থাদগী মতমদুদা চীফ সেক্রেটরি ওইহল্লমখিবা ডা. বিনিট জোসিবু থাংদোল্লকগা প্রসান্ট কুমার সিংহবু অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইহল্লকখিবা থা ৭ লোমদা ঙাইরিঙৈদা মহাক্কী মহুত্তা হোম মিনিষ্ট্রিনা পুনীট কুমার গোয়লবু অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপদা মণিপুরগী মীহুৎশিংগী

## ‘জুলাই ২১দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা মণিপুরগী আই দি পিশিংগী অমসুং ফ্রী মুভমেন্টকী য়াওনা মরু ওইবা ইস্যু মরি পুখৎকনি’

মায়কৈদগী ইহান হান্না এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মশাগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোল্লদুনা মণিপুর কেদরগী নত্তবা ওফিসর অমা থাজিল্লক্লিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ূমদা পার্লিয়ামেন্ট সেশনগী মাঙওইননা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# লৈঙাক্না আই দি পিশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগনি হায়খ্রবসু অথিংবা পীরকপদগী ঈরিল তুরেল ইরোইদুনা লাল্লগা চঙশিন্নরুরে





**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** পি আর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু চহীসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক অহুম থোক্না মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগনি হায়খিবদগী খঙহৌদনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদগী শজিৱা জেল মনাক্তা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা নুপী-অঙাং য়াওনা আই দি পিশিংনা মশাগী মফি-মরোলশিং য়োমদুনা দোলাইথাবী, পুখাও, ইকৌ অমদি য়েংখুমাননচিংবা খুলশিংদা লৈহৌবা য়ূমশিংদা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা লাকপদা পুলিস অমদি সী আর পি এফনা থৎপদগী লৈবাক কুম্মৈ ওইখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৎতুনা থম্লবসু আই দি পি খরদি তুরেলদা ইরোইদুনা লাল্লগা মশাগী ময়ূমশিংদা চঙশিন্নরুরে।

য়াম্লবা আই দি পিশিংনা খুলশিং অসিদা লৈহৌবা মশাগী ময়ূমশিংদা চঙলগনি হায়দুনা লাকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়বু পুখাও কৈথেলদা থৎখি। অথিংবা পীরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম তৌনখি। মদুদা আই দি পিশিংনা ঐখোয়দি মৈ থাদোকখ্রবসু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দবা য়াদে। শিরবসু ইশাগী য়ূমদা শিজগে হায়দুনা লাকপনি হায়খি।

থৌদোক অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# খৌপুম দামগী ঈশিং পাথোক্কুনা চেনবদা লৌবুকশিং থুমজিনখ্রে চুড়াচান্দপুরদা চীং নীংখাইবদা মচানুপা শিরে, মপা হিংহৌরে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম দামদা অহানবা থোকপা থৌদোক ওইনা দাম অসিগী ঈশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী দামগী ফিবাল পাথোক্কুনা চেন্থরকপা ঈশিংনা দাম অসিগী অকোয়বদা লৈবা লৌবুকশিং অমসুং ইঙ্খোলশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহল্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা, খৌপুম এরিয়াদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাইসু খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপদগী নোনে এরিয়াদা লৈরিবা নেশনল হায়ৱে, তোংজৈ মরীলগী লম্বীশিংসু ঈশিং থুমজিনখ্রে। খুদোংচাদবশিং অসিগী মথক্তা মফম খরদা লেন্দস্লাইদসু থোকচিল্লকপদগী অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌনা থোরকখিবনি। চাওরাক্লা দামগী ফিবান্দগী পাথোক্কুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা খৌপুমগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখিবদা নত্তনা লৌ হেক্টর ৩০ রোমসু অমাঙ অতা থোকহল্লে হায়রি।

চৈরকসিদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী চীং নীংখাইবগী থৌদোক অমদা নহা ১ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নহা অদুগী মমিং সোমিন্থাং (২৫) অপোকপা পাওগিন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬




### য়ু জিগী জুবেনাইল কাদর ১ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা আর পি এফ/পি এল এগী জুবেনাইল ওইবা এক্টিভ কাদর অমা খোংজোম পপালদগী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি। মহাক জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলে।

### এক্টিভ কেস ১৯

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা থবক লৌখৎলক্লিবা ওফিশলশিংগী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা লায়নাসিগী এক্টিভ কেসকী মশীং ১৯ খক্তা ঙাইরে হায়রি।

### উলফা-আইগী লেফটিনেন্ট জেনরেল ১সুং বৃগেদিয়র লৈখিদবদা প্রিপাকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ :** য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা-আই) গী লেফটিনেন্ট জেনরেল নয়ান অহোম অমদি বৃগেদিয়র গনেশ অহোম লৈখিদবদা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমননা থোকপা চেরোল অমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়রম্বগী নুপা ১গা নুপী ১গা ৱার্নিং ওইনা মখোঙদা কাপখ্রে : এন আর এফ এম

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ :** নেশনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) গী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা গরিচ অমসুং জুমিলিয়া পার্টিনা ৱারকপনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# চহী ৫০গী মতুংদা লোক্তাক পাৎ লৈখিগদ্রা নৎত্রগা লৈররোইদ্রা : প্রোফেসর চান্দবাবু




**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** লোক্তাক পাৎ অসি মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি হায়বা মীয়াম্না খঙনদুনা লৈরবা ৱাফম অমা ওইরবসু ঙসি মীয়াম্না পাৎ অসিদা মোৎশিলহল্লিবা অসুম্না অদুমক মোৎশিলহল্লবদি চহী ৫০গী মতুংদা পাৎ অসি লৈখিগদ্রা নৎত্রগা লৈররোইদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে হায়না ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর দল্লিয়ু চান্দবাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দি এম য়ুগী এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ‘রিভাইবিং লোক্তাক : এ দিস্কোর্স ওন কঞ্জার্ভেশন এন্দ সস্টেনেবল মেনেজমেন্ট ওফ লোক্তাক লেক’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা অথোইবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চহী ২গী মতুংদা লম্লাইগী তেল্লৌদা মোটোর ভেহিকলগী আই সী সী শানবা খূৎয়েক পীনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :**
ঙসিদগীনা চহী ২ রোমগী মমাঙ সেপ্টেম্বর ১২, ২০২৩দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওফিশল ওইবা নোটিফিকেশন অমা থোক্তুনা মখল খুদিংমক্কী কম্মর্সিএলগী য়াওনা লাইট মোটোর ভেহিকলশিংবু ওটোমেটেদ টেষ্টিং ষ্টেশনগী খূথাংদা ফিটনেস টেষ্টিং তৌবগা লোয়ননা ইন্সপেক্সন অমসুং সর্টিফিকেশন সেন্টর (আই সী সী) অমা হাংদোক্লবা খঙহনখ্রবসু ঙসি খক্তদা থবকশিং অসি পাঙথোক্লবগীদমক সেন্টর অমা লম্লাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী ভিলেজ নম্বর ৭৬-তেল্লৌগী তেরামখোঙদা থম্নবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে।

সেন্টর অসিগীদমক ঙসি খূৎয়েক পীনখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্ট্রিগী ওফিশলশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট লোয়শঙগী ওফিশলশিং অমসুং ইন্টরনেশনল সেন্টর ফোর ওটোমেটিভ টেক্নোলোজি (আই সী এ টি) গী মীহুৎশিং য়াওখি। নাকল অহুম্না ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## লুপা লাখ ২৪ রোমগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক তুলিহল অৱাং লৈকায়দগী মককময়ূম ফিরদোস সরিফ (২৬) কৌবা মীওই অমা লুপা লাখ ২৪ রোমগী মমল ওইগদবা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২৯,৯৭৪গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

মহাক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী টি খুলেনদা হাংবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী নাকা চেক পোইন্টদগী ফাবনি। মহাক্না য়াম্লবা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অসি তোঙান তোঙানবা পেকেট ১৫০দা য়োম্লগা আই-২০ কার অমদা হাপ্তুনা পুরকখিবনি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা টেব্লেটশিং অসিবু পুরকখিবা গাড়ী অমসুং গাড়ী অদুগী আর সী বুক য়াওনা আই ফোন অমা, আধার কার্দ অমা অমসুং ভোটর কার্দ অমসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই অদু মঙোন্দগী ফংবা পোৎলমশিং অসিগা কোন্ননা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেশনদা শিন্নরকপদগী পুলিসনা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।